

# সনালৈবাক স্পোর্টস



IMPHAL, MONDAY, DECEMBER 31, 2018 PAGE 7


*বেলারসকী ইগোর জেরাসিমোভপু নুপাগী সিঙ্গলস ক্বালিফিকেসন মেটচতা মায়থিবা পীরল্লগা মহারাষ্ট্র ওপন টেন্নিসকী মেন দ্রো য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাকেট মাইনেনি*

*ইন্টরনেসনেল টেবল টেন্নিস ফেদরেসননা অথিংবা লৌথোকখিবদগী নেসনেল অমসুং ইন্টরনেসনেল মেটচ শরুক য়ারগদবা ইন্দিয়াগী পেদ্দলর সৌমিয়াজিৎ ঘোস*

## ইন্দিয়ানা ওস্ট্রেলিয়াবু অহুমশুবা টেষ্ট মেটচতা রন ১৩৭ দা থোইদুনা সেরিজ ২–১ দা মাঙজিল থাখ্রে

*মেলবর্ন, দিসেম্বর ৩০ঃ*

ইন্দিয়া অমসুং ওস্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মনুং চনবা ৩শুবা টেষ্ট মেটচতা ইনিদয়ানা য়ুম্বু ওস্ট্রেলিয়াবু রন ১৩৭ দা মায়থিবা পীদুনা টেষ্ট মেটচ ৪ গী সেরিজ মেটচ ২–১ দা মাঙজিল থাখ্রে।



*ইন্দিয়াগী শান্নরোই ওস্ট্রেলিয়াগা শান্নখিবা ৩শুবা টেষ্ট মেটচ মায় পাক্লবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা*

অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অসিদা ইন্দিয়ানা টোস ঙমদুনা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ৪৪৩ লৌরবা মতুং ইন্নিংস দিক্লার তৌখি। ইন্নিংস অদুদা ইন্দিয়াগী বেটসমেন চিটেশ্বর পুজারানা য়াম্না ফজবা বেট্টিংগী পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা রন ১০৬ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা ওস্ট্রেলিয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট পূম্নমক আওট ওইরগা রন ১৫১ লৌখি। ওস্ট্রেলিয়াগী অহানবা ইন্নিংস অদুদা ইন্দিয়াগী বোল্লর জস্প্রিট বুমরাহনা ৱিকেট ৬ লৌবা ঙমদুনা ওস্ট্রেলিয়াগী অপুনবা স্কোর অদু য়াম্না নেম্না থম্বা ঙমখি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা ৱিকেট ৮ তুরগা অপুনবা রন ১০৬ শুরকপদা ইন্নিংস দিক্লার তৌখিবনি।

ওস্ট্রেলিয়ানা মায় পাক্নবগী রন ৩৯৯ লৌবগী টার্গেট লৈখিবা অদু ঙরাং মরিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২৫৮ লৌদুনা লৈখিবদগী মেটচ অসি মায় পাক্নবা মখা তানা রন ১৪১ লৌবগী মথৌ তাখিবনি।

ওস্ট্রেলিয়াগী অনীশুবা ইন্নিংস অদুদা ওপনর অনী রন মপুং ফানা লৌবা ঙমদনা আওট ওইখি। স্কোর বোর্দতা রন ৩৩ খক লৈরিঙৈদা ওস্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন অনী আওট ওইখি। অহুমশুবা বেটসমেন উসমান খাৱাজা অমদি মরিশুবা বেটসমেন সোন মার্সনা মখোয়গী ইন্নিংস অদু মখা তানা শেমগৎনবা হোৎনরকখি।

ওস্ট্রেলিয়াগী বেটসমেন উসমান খাৱাজা অমসুং সোন মার্স মথং শিংনা রন ৩৩ অমসুং ৪৪ লৌরল্লগা আওট ওইখি। নৌনা চঙলকখিবা ত্রেভিজ হেদসু রন ৩৪ লৌরমদুনা ওস্ট্রেলিয়াগী স্কোর বোর্দ অদুদা চাওনা মতেং পাঙলমখি।

কেপ্টেন টিম পাইরেগী রন ২৬ অমসুং ৯শুবা বেটসমেন মিটচেল ষ্টার্ককী রন ১৮ টিম অসিগী শিংথাবা য়াবা স্কোর ওইখি। ঙরাং মরিশুবা নুমিৎকী শান্নবা লোইশিনখিবদা পেট কুম্মিন্স অমসুং নাথান লিওননা মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ৬১ অমসুং ৬ লৌদুনা লৈখিবনি।

ওস্ট্রেলিয়ানা ঙসি ৫শুবা নুমিৎ শান্নরকপদা শুপ্নগী রন ৩ খক হাপচিল্লবা মতুং নাথান লিওন অমসুং মিটচেল ষ্টার্ক আওট ওইখিবদগী অহুমশুবা টেষ্ট মেটচ অসি ইন্দিয়ানা ওস্ট্রেলিয়াবু রন ১৩৭ দা থোইদুনা টেষ্ট মেটচ ৪ গী সেরিজ অসি মেটচ ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

ইন্দিয়া অমসুং ওস্ট্রেলিয়ানা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজ অসিগী মরিশুবা অমদি অরোইবা টেষ্ট মেটচ অদু মথং চহীগী জনুৱারী ৩ দগী সিদনি ক্রিকেট গ্রাউন্দদা শান্নবা হৌগনি।

## ৱিল্লিস প্লাজাগী পাঞ্জলনা চর্চিল ব্রদর্সনা ইন্দিয়ান এরোজবু ১–০ দা থোইদুনা লীগ টেবলদা ৫শুবা পোজিসনদা লৈখ্রে



*চর্চিল ব্রদর্স অমসুং ইন্দিয়ান এরোজনা শান্নখিবা আই লীগকী মেটচ অমা*

*ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ৩০ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা হেরো আই লীগকী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা ৱিল্লিস প্লাজাগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জলনা চর্চিল ব্রদর্সনা ইন্দিয়ান এরোজবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইদুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা ৫শুবা পোজিসনদা হাইগৎখ্রে।

ইন্দিয়ান এরোজ অমসুং চর্চিল ব্রদর্সনা ঙসি ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা লীগ মেটচ অদু হেক হৌবদগী চর্চিল ব্রদর্সকী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা চর্চিল ব্রদর্সকী শান্নরোই আই লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্ট অসিগী টোপ স্কোরর ওইরিবা ৱিল্লিস প্লাজানা গোল তম্না কাওশিনখিবা সোট অমা ইন্দিয়ান এরোজগী গোলকিপর প্রাভসুখান গিলনা য়াম্না ফজনা চোংদুনা ফাখিবদগী পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙজখি।

মখা তানা শান্নরকপদসু চর্চিল ব্রদর্সনা য়ুম্বু টিম ওইখিবা ইন্দিয়াগী এরোজগী মায়কৈদা বোল তোয়না পুশিন্দুনা মখোয়গী শান্নরোইশিংদা অকনবা প্রেসর পীদুনা লাকখি।

ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোইশিংনসু চর্চিল ব্রদর্সকী এটেকশিং অদু নীংথিনা মায়োক্নরকখিবদগী মতম কুইনা পাঞ্জল চনশিনহনবা ঙমদনা থমখি। ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোইশিংনা তাঞ্জা ফংবা মতমদা চর্চিল ব্রদর্সকী মায়কৈদা বোল কয়া পুশিন্দুনা এটেক তৌনবা হোৎনরকখ্রবসু চর্চিলগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নদুনা থমখি।

অহানবা হাল্ফ শান্নরকপা মতম লোইশিল্লক্নবা ফাওবদা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা লৈখি। শান্নবগী ৪৪শুবা মিনটতা মেটচ অসিদা এটেক হেন্না চত্থবা ঙমখিবা চর্চিল ব্রদর্সকী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা লীগ অসিগী টোপ স্কোরর ওইরিবা ৱিল্লিস প্লাজানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।


অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা পাঞ্জল অমা শোত্থদুনা লৈরিবা ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোইশিংনা ইক্কেলাইজর থিবা হৌরকখি। মখোয়গী হোৎনজম অদু চর্চিল ব্রদর্সকী দিফেন্দরশিংনা ফজবা হেনখিবদগী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৭৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়ান এরোজগী শান্নরোই বোরিস না পীরকপা ক্রোস অমা পেনাল্টি বোক্সং মনুংদা লৈরিবা টিমমেট অনৱার আলিনা ফারগা কাওশিনবদা চর্চিল ব্রদর্সকী গোলপোষ্ট বার মথক্তা চৎখিবদগী পাঞ্জল ওইহৌদবদগী মেটচ অদু মখোয় ০–১ দা মায়থিহৌখি।

## লিভরপুলগী ফরমিনোগী হেটট্রিকনা আর্সনেলবু ৫–১ দা থোইদুনা ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইবা ঙম্লি

*লন্দন, দিসেম্বর ৩০ঃ*

লিভরপুলগী রোবার্টো ফরমিনোগী হেটট্রিক্না আর্সনেলবু পাঞ্জল ৫–১ দা মায়থিবা পীদুনা ইংলেন্দগী মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট ইংলিশ প্রেমিয়র লীগকী পোইন্ট টেবলদা পোইন্ট পোইন্ট ৫৪ ফংদুনা মকোক থোংদুনা লৈরি।



*লিভরপুলগী মায়কৈদগী হেটট্রিক চনখিবা রোবার্টো ফরমিনো (ওই) না টিমমেটশিংগা হরাওবা ফোঙদোকপা*

লিভরপুল অমসুং আর্সনেলনা শান্নখিবা ২০শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অদুগী ১১শুবা মিনটতা আর্সনেলগী শান্নরোই এন্সলি মাইটলেন্দ নিলসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

১৪শুবা মিনটতা লিভরপুলগী রোবার্টো ফরমিনোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নহনবা ঙমখি। ১৬শুবা মিনটতা ফরমিনোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ৩২শুবা মিনটতা লিভরপুলগী অতোপ্পা শান্নরোই সাদিও মানেনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৩–১ দা হেন্দুনা লৈখি। অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা লিভরপুলনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা ইজিপ্ত মচা মোহমদ সাহানা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ৪–১ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদসু পাঞ্জল মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা লিভরপুলগী শান্নরোইশিংনা এটেক হেন্না তৌরকখি। শান্নবগী ৬৫শুবা মিনটতা টিম অসিনা ফংখিবা অনীশুবা পেনাল্টিদা টিম অসিগী পাঞ্জল অনী চনবা ঙমখ্রবা রোবার্টো ফরমিনোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৫–১ দা মায় পাক্নুনা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক থোংদুনা চৎপা ঙম্লি।

লীগ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা ২০শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা চেলসিনা ক্রাইষ্টেল পেলেসপু পাঞ্জল ১–০ দা থোইবা ঙমখি। মেটচ অসিদা চেলসিগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী পাঞ্জল অদু শান্নবগী অনীশুবা হাল্ফকী ৫১শুবা মিনটতা এন গোলো কান্টেনা চনবা ঙমখি।

ইটালিদা পাঙথোকপা মকোক থোংবা ফুটবোল লীগ টুর্নামেন্ট সেরি এদা নাপোলিনা বোলোগনাবু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইবা ঙমখি।

মেটচ অসিগী অহানবা পাঞ্জল নাপোলিগী শান্নরোই এরেক মিলিকনা শান্নবগী ১৫শুবা মিনটতা চন্দুনা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী ৩৭শুবা মিনটতা বোলোগনাগা শান্নরোই ফেদরিকো সান্টান্দরনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১–১ দা মান্নরগা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৫২শুবা মিনটতা নাপোলিগী অহানবা পাঞ্জল চনখিবা এরেক মিলিকনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–১ দা মাঙজিল থাখি। ৮০শুবা মিনটতা বোলোগনাগী দানিলোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ২–২ দা মান্নরবা মতুং ৮৮শুবা মিনটতা নাপোলিগী দ্রাইজ মার্টেন্সনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু ৩–২ দা মায় পাকখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা মিলাননা এসপিএএলবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইখি। মিলানগী পাঞ্জলশিং অদু সামু কাষ্টিল্লেজো (১৬) অমসুং গোঞ্জালো হিগ্বান (৬৪) দা চনবা ঙমখি। এসপিএএলগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা ১৩শুবা মিনটতা এন্দিয়া পেটাগনানা চনখি।

## প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগতা পুনে ৭ এসেসনা মুম্বাই রোকেটস অদুগা নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়র্সনা দিল্লি দাসর্স মায়থিবা পীখ্রে



*পুনে ৭ এসেস অমসুং মুম্বাই রোকেটসনা শান্নখিবা মিক্স দবলসকী মেটচ*

*পুনে, দিসেম্বর ৩০ঃ*

ইন্দিয়াদা পাঙথোকপা বেদমিন্টন মশান্নগী মকোক থোংবা লীগ টুর্নামেন্ট প্রেমিয়র বেদমিন্টন লীগকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা টাইশিংদা পুনে ৭ এসেসনা মুম্বাই রোকেটসপু ৪–৩ দা অদুগা নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়র্সনা দিল্লি দাসর্সপু ৩–০ দা থোইখ্রে।

পুনে ৭ এসেস অমসুং মুম্বাই রেকোটর্সনা শান্নখিবা টাই অসিগী অহানবা মেটচ নুপীগী সিঙ্গলস ত্রম্প মেটচতা পুনেগী লিনে জের্সফেল্ডনা মুম্বাইগী শ্রেয়ান্সি পরদেসিবু ১৫–১১, ১৫–৭ দা থোইদুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ নুপাগী দবলসতা পুনেগী পেয়র ৱ্লাদিমির ইভানোভ অমসুং চিরাগ সেথিনা মুম্বাইগী পেয়র লি য়োং দে অমসুং কিম জি জুংবু ১৫–১৪, ১৫–৭ দা থোইদুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অহুমশুবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলস ত্রম্প মেটচতা পুনেগী লক্ষ্য সেন মুম্বাইগী এন্দর্স এন্টোনসেনগী মখূত্তা ১৩–১৫, ১৫–৭, ৬–১৫ দা মায়থিহৌদুনা ২–৩ দা লৈখি। মরিশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলসতা পুনে ৭ এসেসকী শান্নরোই হর্সিল দানি মুম্বাই রোকেটসকী সমির ভর্মগী মখূত্তা ষ্ট্রেট গেম ৭–১৫, ১০–১৫ দা মায়থিহৌবদগী টাই অসি মেটচ ৩–৩ দা মান্নদুনা লৈখি।

৫শুবা মেটচ মিক্স দবলসতা পুনে ৭ এসেসকী পেয়র লিনে জের্সফেল্ড অমসুং ৱ্লাদিমির ইভানোভনা মুম্বাই রোকেটসকী পেয়র পিয়া বর্নাদেথ অমসুং কিন জি জুংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৫–১৩, ১১–৫, ১৫–১২ দা থোইখিবদগী টাই অদু ৪–৩ দা মায় পাকখি।

অতোপ্পা টাই অমদা নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়র্সনা দিল্লি দাসর্সপু ৩–০ দা মায়থিবা পীরমখি। টাই অসিগী অহানবা মেটচ নুপীগী সিঙ্গলসতা নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়সকী রিতুপর্না দাসনা দিল্লিগী ইভজেনিয়া কোসেটস্কায়াবু ১৫–১৩, ১৫–৯ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা মেটচ নুপীগী দবলসতা নোর্থ ইষ্টর্নগী লাও মিন চুং অমসুং য়ু য়িওন সিওংনা দিল্লিগী সিজে ৱাং অমসুং চাই বাওনা ১৫–৯, ১৫–৮ দা থোইদুনা ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

টাই অসিগী অহুমশুবা মেটচ ওইখিবা নুপাগী সিঙ্গলস মেটচতা নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়র্সকী টানোংসা সেনসোম্বুসুকনা দিল্লি দাসর্সকী টোমী সুগিয়ার্টোবু ১৫–৫, ১৫–১২ দা থোইদুনা ৩–০ দা মাঙজিল থাখি। মরিশুবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলসতা নোর্থ ইষ্টর্নগী টিয়ান হৌৱৈনা দিল্লিগী প্রনোইবু ১২–১৫, ১৫–৭, ১৫–১৪ দা থোইদুনা মেটচ ৪–০ দা মাঙজিল থাখি।

মঙাশুবা মেটচ মিক্স দবলসতা দিল্লিগী জোংজিৎ অমসুং কোসেটস্কায়ানা নোর্থ ইষ্টর্নগী চুন অমসুং কিম হা নাবু ১২–১৫, ১৫–৭, ১৫–১৪ দা থোইখ্রবসু টাই অদু নোর্থ ইষ্টর্ন ৱারিয়র্সনা দিল্লি দাসর্সপু মেটচ ৩–০ দা মায় পাকখি।

## হোপমেন কপ টেন্নিসতা স্বিটজরলেন্দনা গ্রেট বৃটেনবু ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, জর্মনিসু মায় পাকখ্রে

*পর্থ, দিসেম্বর ৩০ঃ*

ওস্ট্রেলিয়াগী সিটি পর্থতা ঙরাংদগী হৌখিবা হোপমেন কপ টেন্নিসতা মমাঙগী চেম্পিয়ন স্বিটজরলন্দনা গ্রেট বৃটেনবু গ্রুপ (বি) দা মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, গ্রুপ (এ) দা জর্মনিবু স্পেনবু ৩–০ দা থোইখ্রে।

স্বিটজরলেন্দ অমসুং গ্রেট বৃটেননা শান্নখিবা টাই অসিগী অহানবা মেটচ নুপাগী সিঙ্গলসতা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদররনা বৃটেনগী কেমেরোন নোরিবু ৬–১, ৬–১ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ নুপীগী সিঙ্গলসতা স্বিটজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিকনা বৃটেনগী কেটি বোল্টরবু ষ্ট্রেট সেট ৬–২, ৭–৬(৭–০) দা থোইদুনা মেটচ ২–০ দা হেনবা ঙমখি।

অহুমশুবা মেটচ মিক্স দবলসতা স্বিটজরলেন্দগী রোজর ফেদরর অমসুং বেলিন্দা বেন্সিকনা বৃটেনগী পেয়র কেটি বোল্টর অমসুং কেমেরোন নোরিবু ৪–৩(৫–৪), ৪–১ দা থোইদুনা টাই অসি ৩–০ দা থোইরমখি।

জর্মনি অমসুং স্পেননা শান্নখিবা টাই অদুদা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর অমসুং আলেকজেন্দর জ্বেরেভ নুপী অমসুং নুপাগী সিঙ্গলস মেটচ মায় পাকখি। স্বিটজরলেন্দগী এঞ্জেলিক কর্বর অমসুং আলেকজেন্দর জ্বেরেভনা মিক্স দবলসকী মেটচসু মায় পাক্নুনা টাই অদু ৩–০ দা থোইখি।

| ক্রোসৱার্দ ২৮ গী পাউখুম | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| P | I | L | E | ■ | N | E | S | T | ■ | M | E | T | E | R |
| A | D | A | M | ■ | R | A | T | E | ■ | A | M | O | R | E |
| C | A | T | A | M | A | R | A | N | ■ | S | P | A | I | N |
| T | H | I | N | E | ■ | S | I | S | ■ | C | E | D | E | D |
| S | O | N | A | T | A | ■ | D | E | C | O | R | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | T | S | P | S | ■ | ■ | A | T | O | N | E | D |
| S | O | R | E | ■ | P | E | T | A | L | ■ | R | A | V | E |
| O | D | E | ■ | ■ | A | M | I | G | O | ■ | ■ | S | E | C |
| D | O | D | O | ■ | R | I | P | E | R | ■ | R | A | N | K |
| A | R | O | U | S | E | ■ | ■ | S | I | D | E | ■ | ■ | ■ |
| ■ | ■ | ■ | T | U | L | S | A | ■ | E | A | T | E | R | S |
| A | B | U | S | E | ■ | A | D | O | ■ | L | I | M | I | T |
| R | A | P | I | D | ■ | T | A | N | G | E | R | I | N | E |
| E | R | O | D | E | ■ | A | G | U | A | ■ | E | L | S | E |
| A | N | N | E | S | ■ | N | E | S | S | ■ | D | Y | E | R |


**PIS Brick Field (Mechanised)**

BRICK SAMPLE

PIS

(From time to time rate changeable)

| Class | Rate | Bricks | Amount | Gari Charge | Labour | Total |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.50 | 2000 | Rs. 25000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27600 |
| 1st | Rs. 12.50 | 1500 | Rs. 18750 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20750 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 2000 | Rs. 24000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 26600 |
| 2nd | Rs. 12.00 | 1500 | Rs. 18000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20000 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| 1st Rej. | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| Peti | Rs. 11.50 | 2000 | Rs. 23000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25600 |
| Peti | Rs. 11.50 | 1500 | Rs. 17250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19250 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 2000 | Rs. 15000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 17600 |
| 3rd | Rs. 7.50 | 1500 | Rs. 11250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 13250 |

**Contact: 9862048579, 8787464898, 7085684539** (Sunday closed & Phone switch off)
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.
SL/1198/Alt.50 days